ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ
Refreshingly Readable
HL
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

লাইওন্স ক্লব ওফ মোইরাংগী মেম্বর-শিংনা মোইরাং এ সী অমসুং মনাক নকপদা ঈচাওগা মরী লৈননা হাংবা রিলিফ কেম্প মফম ৮ দা তেংবাং পোৎলম য়েনবা

লামায় ১

সাহিত্য সেবা সমিটি, মণিপুর, ককচীংনা শীন্দুনা ককচীংদা পাঙথোকপা মণিপুরী লোল নুমিৎ অমসুং অইবগা উনবগী থৌরম

লামায় ১

মোরে ট্রেদ সেন্টরগী কনভেন্সন হোলদা পাঙথোকপা লাইওন্স ক্লব ওফ মোরে বোর্দর টাউনগী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি অমসুং অতৈ থৌপুবশিং খনবগী থৌরম

লামায় ৫

এম পি সী সীনা শীন্দুনা পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা লৈখিদ্রবা রজিব গান্ধীগী মপোক নুমিৎ থৌরমদা ও ইবোবীনা লৈ কৎপা

SHRI RAJIV GANDHI
20th August, 2017
Manipur Pradesh Congress Committee

লামায় ১

Vol. 41, Issue No.147 নিংথৌকাবা, থৱান থাশু অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Monday, August 21, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৬.৭৩
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৫.২৬

বেঙ্ক থোঙ লোনগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ : বেঙ্কশিংগী ট্রেদ য়ুনিয়ন ৯ না শেম্বা য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়নना ইন্দিয়াগী মফম শীনবা থুংনা নোংমগী ওইবা বেঙ্ক ষ্ট্রাইক তৌবগী খোঙজং চঙশিনগদবা মরম্না ওগষ্ট ২২ দা বেঙ্ক পুম্নমক থোঙ লোনগদৌরি। দি এফ বি য়ু মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী কনভিনর এস ইন্দ্রকুমারনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খোঙজেল য়াংনা লোন খোমগৎপা, লোন শিংগৎলক্ত-বশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎপা, বেঙ্কস ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

অইবগা উনখ্রে

ককচিং, ওগষ্ট ২০ : মণিপুর অমদি মণিপুরীশিংনা খুন্দারিবা মফম কয়াদা পাঙথোক্লরিবা ২৬ শুবা মণিপুরী লোলগী নুমিৎ থৌরম অসি সাহিত্য সেবা সমিটি, মণিপুর-ককচিংনা শিন্দুনা ঙসি ককচিং ডিষ্ট্রিক্টকী ককচিং চুম্নাংপাৎতা লৈবা সমিটি অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে। ২৬ শুবা মণিপুরী লোলগী নুমিৎ থৌরম অদুদা ডোক্টর থৌনাওজম খোমদোন, প্রসিদেন্ট, মণিপুর সাহিত্য সমিটি, থৌবালনা অথোইবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

তেংবাং য়েনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ : লাইওন্স ক্লব ইন্টরনেস্নেল ফাউন্দেসনগী ইমর্জেন্সি রিলিফ ফণ্ডগী মখাদা ঈচাউগী অৱাবা নংখ্রবা মোইরাং অমদি অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদা লাইওন্স ক্লব ওফ মোইরাংগী মেম্বরশিংনা রিলিফ কেম্প মফম ৮ দা চৎতুনা ঈচাওগী তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

FOREX (INDIA RUPEES)	
FOREX NAME	**INDIAN RUPEE**
Euro	75.468876
US Dollar	64.163282
British Pound	82.597887
Australian Dollar	50.888122
Chinese Yuan Renminbi	9.618665
Japanese Yen	0.587577
Malaysian Ringgit	14.947503
Norwegian Krone	8.114382
Singapore Dollar	46.916969
South Korean Won	0.056242
Swedish Krona	7.907614
Turkish Lira	18.229272
Myanmar Kyat	0.04704
Bangladesh Taka	0.79182

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 29508.02
Mumbai	–	Rs 30534.76
Delhi	–	Rs 30053.48
Kolkata	–	Rs 30406.42

HL POLL

Q : Meeyamgi numitta CM na taba maru oiba wakat pumnamak thabakta onthokpa ngamgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ **No** ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Doklam gi wahoudagi India amasung China gi marakta lal soknarakkani haibagi thajaba leibra?

Yes 46% **No** 54%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

অস! লোইরেহে!

করিগীনো নখোয়না য়ু পুরক্লিবদু!
ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ ꯅꯈꯣꯏꯅꯥ ꯌꯨ ꯄꯨꯔꯛꯂꯤꯕꯗꯨ!



সারহোয়নদি মীয়ামগী থৌগল তৌগদবনি হায়বদুদা য়ারুবনি...!
ꯁꯥꯔꯍꯣꯏꯅꯗꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯊꯧꯒꯜ ꯇꯧꯒꯗꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯗꯥ ꯌꯥꯔꯨꯕꯅꯤ...!

মণিপুরী লোলগী নুমিৎ থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লুখ্রে

মণিপুরী লোল চাউখৎহন্নবা লৈঙাক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি : বিস্বজিৎ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী লোলনা নিপানশুবা সেদ্যুল্ডদা চনখিবা নুমিৎ নীংশিংদুনা ঙসি মণিপুর অমসুং মণিপুরগী ৱাংমদা তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ামরুম্না শীন্দুনা ২৬শুবা মণিপুরী লোলগী থৌরম পাঙথোক্লুখ্রে।

5th MANIPURI LANGUAGE DAY
20th AUGUST 2017
Orgd. by:
IPURI LANGUAGE DAY STA LEVEL CELE TION COMMITTEE

মণিপুর লেঙ্গ্যুয়েজ দে ষ্টেট লেবেল সেলেব্রেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকপা মণিপুরী লোলগী নুমিৎ থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টিঐচ বিস্বজিৎনা হায়খি, মণিপুরী লোল চাউখৎহন্নবা লৈঙাক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। তুংগী মীরোলগীদমক মণিপুরী লোল য়োকখৎনবা অমদি কন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নবা চঙই।

মহাক্না হায়খি, দিরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসনগী মখাদা ইনফোর্মেসন এদ্যুকেসন এন্দ কম্যুনিকেসন প্রোগ্রামদা মণিপুরী লোল য়োকখৎনবগী মতাংদা এৱেয়রনেস কয়া পাঙথোক্লবা মীৎয়েং চঙগনি। মণিপুরী লোল অসি করেন্সি নোটতা য়াওহন্নবা অমদি ক্লাসিকেল লেঙ্গ্যুয়েজগী থাক্তা পুখৎনবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরগা তানগনি। হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা চঙই। মণিপুরী লোল অসি লমদম অসিদা লৈরিবা ফুরুপশিংগী পাউ ফাউদোক্লনবা লোল অমা ওইরি। মসি য়োকখৎপা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্কী থৌদাংনি। লমদম অসিগী অহল-লমন কয়ানা কন্না হোৎনদুনা অমদি খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা মণিপুরী লোলবু ইন্দিয়ন কন্সটিটুয়্যসনগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোল পীরদুনা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, মণিপুরী লোলবু ৮ শুবা সেদ্যুলদা চলহন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌখিবা অহল-লমনশিং অমদি মীয়াম্বু নীংশিংবা তঙায়ফদে। ঈহৌ কয়া হৌদুনা অমদি খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা হোৎনরবা মতুংদা মণিপুরী লোল অসি ৮ শুবা সেদ্যুলদা চল্লকখিবনি। মণিপুরী লোলবু হেন্না চাউখৎহন্নবা মপুং ফানা শীজিন্নবা তঙায়ফদে। কাচিন কোয়া য়ৌনা ফোঙদোক্লিংবশিং ফোঙদোকপা হায়বসি ইশাগী লোল অসিনা ঙমগদৌরিবনি। মণিপুরী লোল চাউখৎহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নবা চঙই। লৈঙাক হায়বসি মীয়ামগীনি। অফবা থবক তৌরবদি মদুগী মহয় ফঙগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

ট্রাইলেটরেল হায়ৱে শেম্নবা সেন্টরগী ফিরেপ লৈ : নির্মলা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী মোরে ফাওনা চৎখিগদবা ট্রাইলেটরেল হায়ৱে শেম্ননবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী চপ চাবা ফিরেপ লৈ হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ইনচার্জ ফোর কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ নির্মলা সিতারামন্না ঙসি সঙাই হোল হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা ন্যু ইন্দিয়া মন্থন-সনকল্প সে সিধিগী লেকচর প্রোগ্রামদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়াদা হৌজিক পাল্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী ওইবা স্কীম কয়া ট্রান্সপরেন্ট ওইনা পায়খৎলক্লি। শোত্থরবশিংগী য়াইফনবগীদমক মীৎয়েং চঙলি।

লৈবাক অসিদা মীয়ামগীদমক তোঙান তোঙানবা স্কীম কয়া য়াম্না মনুং মপান ফাওনা উবা ঙম্বা মওংদা পায়খৎতুনা লাক্লি। স্কীম কয়া দাইরেক্ট বিনিফিট ট্রান্সফরগী খুত্থাংদা পায়খৎলি। লৈঙাক্কী ওইবা কন্ট্রেক্ট অমদি সপ্লায়গী থবকশিং ঈ-তেন্দর অমদি ঈ-বিদিংগী খুত্থাংদা ট্রান্সপরেন্ট ওইনা চত্থরি। এস আই টিনচিংবা শেমদুনা হীরম কয়াদা ইনভেষ্টিগেসন তৌহনবা লৈখ্রে হায়না মখা তাখি।

মহাক্না হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বায়দগী শোত্থরবশিংদগী হৌনা য়াইফ থৌরাংগী থবকশিং য়ৌহন্নবগী অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি। লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা নুপীশিংদা গ্যাস কনেক্সন ফঙহনবা, নুপী কয়াদা চাকথোং গ্যাস ফঙহনবগী থবক উজ্বালা স্কীমগী মখাদা চত্থরি।

চাউখৎ থৌরাংগী হীরম কয়াদসু মাঙজিন থানা চঙশিল্লক্লি। ওপটিকেল ফাইবর তিংবগী থবক অসিসু য়াম্না খুমাঙ চাওশিন্না চঙশিল্লক্লি। গুদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) চৎনবা হৌখিবা অসিনা মণিপুরগুম্বা কঞ্জুমর ষ্টেটতা কান্নবা পীগনি। মণিপুর অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী য়াম্না মরুওইবা মফমদা লৈরি। এসিয়ন হায়ৱে লাকপা অমদি এক্ট ইষ্ট পোলিসিনচিংবা পায়খৎলক্কদৌরিবা লমদম অসোমগী লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহন্নবা মীৎয়েং চঙলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ক্লিন ইন্দিয়া হায়না পায়খৎলক্লিবা থবক অসি লম-তু লূ-নান্না থম্বা অদুখক্তগী ৱাখল্লোন নত্তে। লম-তু লূ-নান্না থম্বগা লোয়নন্না লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিংসু য়াম্না শেংনা পায়খৎনবগী মীৎয়েং লৈরি। শেঞ্জা থুমজা লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়নন্না থবক কয়া পায়খৎলক্লি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু শেঞ্জা থুমজা লৈতবা মফম ওইহন্নবা থবক কয়া পায়খৎলক্লি। নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী চাউখৎ থৌরাংগীদমকসু অখন্নবা মীৎয়েং কয়া চঙলক্লি।

এক্ট ইষ্ট পোলিসি লাকপগা লোয়নন্না ষ্টেট অসিনা খুদোংচাবা কয়া ...*মখা লামায় ৩ কলম ৮*

নোর্থ ইষ্টকী লালহৌবগী ৱাথোক কুমজা ২০২২ দা লোইশিলহল্লগনি : হোম মিনিষ্টর

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী): অৱাং-নোংপোক লমদা লৈরিবা লালহৌবগী ৱাথোক অসি কুমজা ২০২২ ফাওবদা লোইশিনবা ঙম্লগনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথনা ফোঙদোকখ্রে।

হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা কাশ্মীরগী ৱাথোক, নক্সলাইটকী ঈহৌ অমদি অৱাং-নোংপোক লমদমদা হৌরিবা লালহৌবগী ঈহৌ মপুং ফানা লোইশিনহনবা ঙম্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লক্নৌদা পাঙথোকখিবা সনকল্প সে সিধি-ন্যু দিল্লি মুভমেন্ট (২০১৭-২০২২) নয়ে ভারত কা নির্মান হায়বা থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, কুমজা ২০২২ ফাওবদা অনৌবা ইন্দিয়া অমা শেম্লগনি হায়বা ৱাশক অমগা লোয়নন্না হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা লালহৌবগী ৱাথোক পুম্নমক লোইশিনহনবা ঙম্লগনি। মহাত্মা গান্ধীনা লু নানবগী কান্নবা অমসুং মরুওইবা ময়েক শেংনা খঙবা মরম্না লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা লু-নালহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। অদুবু মোদিগী লিচিং মখাদা মীয়ামগী ঈহৌ অসি অনৌবা মায়ওন অমদা পুরক্তুনা কুমজা ২০২২ ফাওবদা ৱাথোক পুম্নমক লোইশিনহল্লগনি।

মহাক্না হায়খি, টেররিজমদা শেল থাদবগী থৌওং পুম্নমক নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)না মপুং ফানা থিগৎপদগী অৱাং-নোংপোক লমদমদা লালহৌবগী ঈহৌ চাদা ৭৫ হন্থহনবা ঙম্লে। কুমজা ২০০৯ দা লিংখৎখিবা এন আই এনা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা থবক থৌরম কয়া মায় পাক্না লৌখৎলক্লি। লক্নৌদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

মোদিনা বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টরশিং ঙসি উনগদৌরি

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন ন্যু দিল্লিদা থুংখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২০ (এজেন্সী) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা হয়েং পার্টি অসিনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরশিংগা উনগদৌরি।

হয়েংগী মীফম অসিগী য়েংলগা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন ঙসি নুংথিল ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মহাক ঙসি নুমিদাং-ৱাইরম ন্যু দিল্লিদা থুংখ্রে হায়রি।

পার্টিগী ছোর্স পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, হয়েংগী মীফম অসিদা চীফ মিনিষ্টর ১৩, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৬ অমসুং কেবিনেট মিনিষ্টর খরা শরুক য়াগদৌরি। কুমজা ২০১৪ দা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়খ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মতৌ অসুম্না চীফ মিনিষ্টরশিংগা উনবা হন্দক্কী অসিনা অহুম্লক শুবনি হায়রি।

মীফমদুদা খন্নগদৌরিবা ৱাফম-শিংগী মনুংদা সেন্টরগী ফ্লেগশিপ স্কিমশিং ষ্টেট পুম্নমক্তা মতৌ করম্না থবক্তা ওন্থোক্লিবগে অমসুং অতৈ-অতৈ চাউখৎ থৌরাংশিং করম্না পায়খৎলিবগে হায়বগী ৱাফম য়াওরি।

অমিট শাহনা কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা ইলেক্সনগী ব্লু প্রিন্ট অমা পুথোকখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি বি জে পিনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিং উনদুনা ৱারী শাননবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

অমিট শাহনা কুমজা ২০১৪ গী মীখলদা বি জে পিনা মায় পাক্কদবদা শোয়বদগী মায়থিখিবা লোক সভাগী কন্সটিটুয়েন্সি ১২০গী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্মবা পার্টি লুচিংবশিংদা খঙহনবা লৈখ্রবনি। মথংগী জেনরেল ইলেক্সনদদি বি জে পিনা সীট ৩৫০ হেন্না ফংগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মীফমদা চীফ মিনিষ্টরশিংনা মাগী-মাগী ষ্টেটতা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী অকুপ্পা ৱারোল প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং পার্টি প্রসিদেন্টতা পাউদমগদৌরি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মিনিষ্টর খুদিংমক ফাইব ষ্টার হোটেলদা লৈতনবা অমসুং পব্লিক সেক্টর অন্দরটেক্কিং (পি এস য়ু) দগী খুদোংচাবা লৌদনবা খঙহনখ্রে।

টাইমস ওফ ইন্দিয়াদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মিনিষ্টরশিংনা ফাইব ষ্টার হোটেলদা লৈরোইদবনি অমসুং পি এস য়ুগী গাড়ীশিং লন্নাই ওইবা মওংদা শীজিন্নরোইদবনি হায়না অকনবা পাউতাক পীখ্রে।

ব্যুরোক্রেটশিংনা এরোপ্লেনগী ফার্ষ্ট ক্লাসতা তোংদনবা অমসুং ফাইব ষ্টার হোটেলদা মীফম পাঙথোক্তনবা প্রাইম মিনিষ্টরনা মমাঙদা খঙহনবা লৈখ্রবনি। সিনিয়ারিটিগী মতুংইন্না ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংনা মফম অমদগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

লংলা-লংজিন পুথোকউ : কম্মিটি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : হান্নগী মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোগী মচানুপা অহল সিধার্থ মোইরাংথেম (ঔপা) দিল্লিদা লৈবা হোজ খাস ভিলেজগী মথোল অনী ৱাংবা মাই গ্রিল রেষ্টুরেন্টতগী তারগা শিখিবগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্না অচুম্বা পুথোকপীয়ু হায়না দিমান্দ তৌরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা জে এ সী এগেনষ্ট দি ব্রুটেল কিল্লিং ওফ সিধার্থ মোইরাংথেম এলিয়স ঔপাগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ ইবোমচানা হায়খি, সিধার্থ মোইরাংথেমগী মীশি অসি য়াম্না শাথীনা চিংননিংঙাই ওইরি। অপোকপী মমানা থোনবীখিবা সনাগী লিক ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

লৈবাক অসিদগী অফস্পা মুত্থৎকদবনি : ডা. নরা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী মীয়াম্না লৈবাক অসিদগী দিষ্টর্ব এরিয়া লৌথোকউ অমসুং আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱরস এক্ট চল্লাইবা য়ারোই হায়রিবা দিমান্দ অসি কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা শৌগৎলি অমসুং লৈবাক অসিদগী অফস্পা পুম্মুৎ মুত্থৎকদবনি হায়না ষ্টেট সেক্রেটরি ডা. এম নরানা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাবত ভবনদা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, মীওইবগী ফংফম থোকপশিং খম থেংনা মাঙহনবা ঙম্বা লো ওইরিবা অফস্পা অসি লৈবাক অসিদগী লৌথোকখিগদবনি হায়বসি সী পি আইগী দিমান্দনি। দিমান্দ অসি ফংননবগীদমক পার্টি অসিগা চৎমিন্নরিবা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নশিংগা পোষ্টর কেম্পেইননচিংবা পাঙথোক্তুনা লাকখি। জিবন রেদ্দি কম্মিসনना রেকমেন্দ তৌরম্বা মতুংইন্না লৈবাক অসিদগী অফস্পা রিপিল তৌগদবনি হায়বসি পার্টি অসিগী খোল্লাউ ওইদুনা লাকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, কুমজা ২০০৪ দা পানখিবা সেকুল্যর প্রোগ্রেসিব ফ্রন্ট (এস পি এফ)তা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া শরুক য়ারিঙৈদসু চপ মান্নবা দিমান্দ অসি তৌখি। মতমদুদা ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা লৈঙাক্তা সী পি আইগী কেবিনেট মিনিষ্টর অহুম য়াওখি। মখোয় অহুম য়াওনা পুন্না এসেমব্লিগী মেম্বর ৫ না মণিপুরগী এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সি ৭ তগী অফস্পা লৌথোক্ত্রবদি লৈঙাক শৌগৎপা তোক্কনি হায়না চেরোল পীশিনখিবা ফাওবা লৈখি। কুমজা ২০০৪ গী ওগষ্ট ১৩ দা পীশিনখিবা চেরোল অদু মতমদুগী চীফ মিনিষ্টরনা ইকায় খুম্নবী-খিবগা লোয়নন্না এসেমব্লি সেগমেন্ট ৭ তগী অফস্পা লৌথোকখি।

মণিপুরগী এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সি তরেৎতগী অফস্পা লৌথোকখিবা অদু সী পি আইনা মরম ওইরগনি হায়বমক নৎত্রবসু মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙনা পার্টি অসিনা থবক তৌরকখি হায়বগী ময়েক লারবা খূদম ওইরি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

মহাক্না হায়, বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এগী গভর্ণমেন্টনা মীখল মমাঙদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

কোংগ্রেসনা রজিব গান্ধী ইকায় খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা রজিব গান্ধীগী ৭৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা পার্টি অসিগী বি টি রোদতা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপ, ওপোজিসন লীদর ওক্রম ইবোবী, এম এল এশিং অমসুং পার্টিগী ৱার্করশিংনা রজিব গান্ধীগী শক্তমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। টি এন হাওকিপনা পার্টিগী ৱার্করশিংবু সদভাবনাগী ৱাশক লৌখি।

থৌরম অদুদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা পাউমীশিংদা হায়খি, লৈখিদ্রবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

নুংথঙ তম্পাক য়ুমথোং খুদিংমক কম্প্যুটর হৈরবা খুঙ্গং ওইরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : কোম ফুরুপনা নম্না তাবা নুংথঙ তম্পাক্তা কম্প্যুটরগী মঙাল ফঙহন্নবা লৈঙাক্কী মতেঙ অমত্তা য়াওদনা মঙাল রুরেলনা হোৎনদুনা কম্প্যুটর ট্রেনিং চত্থখিবগা লোয়নন্না য়ুমথোং খুদিংমক কম্প্যুটর হৈরবা খুঙ্গং ওইহনবা ঙম্লে।

মতম অমদা ইমুং অমদা ইবা পাবা হৈবা মীওই অমা লৈরবদি য়ারে হায়না লৌনরম্মী। মদুগী মতুংদা মীপুম খুদিংমক ইবা পাবা হৈহন্দবা য়াদে হায়নরম্মী। দিকেদ খরগী মতুংদনা অঙাং খুদিংমক ক্লাস আইট ফাওবা তমহন্নবা, মদুগী মতুংদা ক্লাস টেন ফাওবা তমহন্নবা ৱাফম, মদুগী মখা চত্থরকপদনা ক্লাস টুৱেল্ভ ফাওবা তমহন্নবা হায়নরকপা অদুবু ঙসিদি মপান নাইদ্রবা মহৈ তমহন্দবা য়াদ্রে হায়বা ৱাফম লাক্লে। ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী চহী অসিদদি ওজা অমদি মহৈরোয়শিংনা মহৈ-মশিনগা মরী লৈনবশিং ইন্টরর্নেটকী খুত্থাংদা কান্নবা লৌবা মতম ওইরক্লবনি।

কেরলাগী মালাপুরম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চন্দ্রভটোম খুঙ্গং অসি চহী ১৪ গী মমাং কুমজা ২০০৩ গী ওগষ্ট থাদা লৈবাক অসিগী ওইনা অহানবা চাদা ১০০ কম্প্যুটর হৈবা খুঙ্গংনি হায়না কেরলা লৈঙাক্না লাউথোকখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা কুমজা ২০১৫ গী জুলাই ২ দা খুঙ্গং খুঙ্গংশিংদা ইন্টরনের্টে ফঙহন্নবা দিজিটেল ইন্দিয়া প্রোগ্রাম হৌদোকখিবনি। চাউখৎপা তানখৎলক্লিবা ষ্টেট অমা ওইনা মতমদুগী কেরলা লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর এন্থোনিগী লমজিং মখাদা দিজিটেল ইন্দিয়াগী মীংচৎ অদু হান্নना পুরকপা ঙমখ্রে। কেরলা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা অকস্যা প্রোগ্রাম লৌখৎতুনা ষ্টেট ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি মীসনদা তেঙবাং পুম্বা পীনবা খঙহন্দুনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ট মেম্বরশিংগী থাদরকপা চাউখৎ থৌরাংগী শেনফমগী মতেঙনা ইমুং ৮৫০ লৈবা চন্দ্রভটোম খুঙ্গংগী মীওইশিংবু কম্প্যুটর তম্বীদুনা লৌশিং ফঙহনখি। ইমুং অমগী য়ামদ্রবদা মীওই ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

রোটরি কেরিয়র গাইদেন্স প্রোগ্রাম ফোর ষ্টুদেন্টস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : রোটরি ক্লব ইম্ফালনা শীন্দুনা রোটরি কেরিয়র গাইদেন্স প্রোগ্রাম ফোর ষ্টুদেন্টসকী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা রোটরি মল্টি সার্বিস সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা গেষ্ট স্পিকর ওইনা গ্লোবিজগী এম দি রোসিনি কুমার য়াম্বেম, মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা রিটয়ার্দ লেফটনেন্ট জেনরেল কোন্সম হিমালয়, চাইল্ড সাইকোলোজিষ্ট পাম্পাক খুমুকচম, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এম আই এম এসকী প্রো. সী ঐচ ইবোহল, খেঞ্জোংলাংগী দিরেক্টর ডা. থানিল লৈমা অমসুং মীয়াম্না শকখঙ মায়খঙনরবা এল নিরঞ্জননচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট এলেন্দ্র থৌদামনা হায়খি, ঙসিগী থৌরম অসি মরুওইনা মহৈরোয়শিং অসিনা ক্লাস টুৱেল্ভ পাস তৌরবা মতুংদা মানা মানা তম্নিংবা সবজেক্টতা তমহল্লগা করম্না মখোয়-মখোয়গী কেরিয়র শেমগনি হায়বা অসিদা এক্সপার্টশিং কৌরগা তাকহনবা অমসুং মখোয়না পীবা পাউতাকশিং অদুগী মতুংইন্না মহৈরোয়শিংনা মশাগী লম্বী য়াৎচনবা পূক্নিং থৌগৎপনি।

মহৈরোয়শিংনা তুংগী পূন্সিদা মায় পাকপা ঙম্নবা পরিং চুম্না চৎপা ঙম্নবা লমজিংবীবনি। অসিগুম্বা থৌরম অসি চহী খূদিংগী শীন্দুনা লাক্লি। মরুওইনা গভর্ণমেন্ট স্কুলগী মহৈরোয়শিংখক্তমক লৌখৎলগা ঙসি পাঙথোক্লিবা কেরিয়র গাইদেন্সকী থৌরাং অসি পায়কৎপনি।

এক্সপার্টশিংনা ঙাঙলিবা ৱাফম কয়া অদু মহৈরোয়শিং অদুদা তাহল্লগা অঙাং অমনা মশাগী ওইবা কেরিয়র অমা মপুং ফানা শেমদুনা লেপচবা ঙম্নবা তুংগী লম্বী য়াৎপনি। মরুওইনা গভর্ণমেন্টকী মহৈশেঙশিংদা তম্লিবা য়াইমরপ ওইবা ফীভমদা লৈবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী মহৈরোয়শিংবু কেরিয়র গাইদেন্স পীবা ঙম্নবা রোটরি ক্লব ইম্ফালনা হোৎনবনি। থৌরম অদুদা গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় ১০০ রোম্না শরুক য়াখি।

ঈ-পাঙ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫